HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur





জিরিদা লৈবা জিরি ইমা মৈরা পায়বী অপুনবা লুপ (জিমপাল) গী হোলদা পাঙথোকখিবা জিরি দিভেলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (জে দি ও) গী ২৬শুবা মপোক কুমওন থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা


মেদিটেসন তৌবনা হকচাংদা তোঙান-তোঙানবা মখল ১২... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ নোংমা ঐখোয়সু অহল ওইরক্কনি কাউফদে
"খুৎ পেন্না লমন খুস্বা ঙম্লগনি-!" ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ অগ্নিপথকী আর্মি রিক্রুটমেন্ট রেল্লি চথরগনি
ইন্দিয়াদা লৈরিবা পোলিসি অমসুং ৱেলফেয়র স্কিমশিং ... ☛ লামায় ৮
লামায় ১২ ☛ শান্নরোয়শিংগী ট্রান্সফর জুন ১ দগী হৌরগনি


মে ১২, ২০২৪দগী হৌরক্লগা মে ২৯, ২০২৪ ফাওবা রিমসনা স্বাছতা এক্সন প্লান ২০২৪-২৫গী মখাদা তোঙান তোঙানবা মফমদা পাঙথোরকখিবা স্বাছতা হেল্থ কেম্পশিংগী মনুংদা অনাবশিংবু লায়েংখিবা





Vol. 48, Issue No. 058 | শগোলশেন, কালেনগী ২২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, May 30, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00


মাঙজৌননা চেকশিলহৌদ্রবসু মিনিষ্টরনা ৱা ১সুং বোরা মরাং কায়না লৈরি হায়রক্লে

# লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংগী ঈশিংনা ইম্ফাল অমসুং অকোয়বগী মফম কয়া থুমজিনখ্রে



মে ২৯, ২০২৪গী নুংথিল পুং ৪ খরা হেল্লকপদা খুমন লম্পাক্কী আই এস বি টিগা মায়োক্লবা দিঙ্কু রোদতা ওইখিবা ঈচাওগী ফীভম

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদসু সাইক্লোন রিমাল য়ৌরকখিবদগী থা অসিগী ২৬তগী হৌরদুনা লেপ্তুনা চুথরকখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা ইম্ফাল সিটি ফাওদুনা চেল্লিবা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা পাথরকপা অমসুং ঈফুৎনচিংবা ফাওরকপগা লোয়ননা চুথরক্লিবা নোংগী ঈশিংশিং চিথফম লৈতবদগী মৌখৎলক্তুনা ইম্ফাল অমসুং অকোয়বগী মফম কয়া পাক্তক্লনা ঈশিং থুমজিনখ্রে।

সাইক্লোন অসি ষ্টেট অসিদসু য়ৌরক্লগনি হায়বগী ৱাফম নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মরী লৈনবা লোয়শঙনা ফোঙদোকখিবা লৈরবসু মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী মাঙজৌনবা চেকশিন থৌরাং অমত্তা লৌখৎখিদ্রবসু হৌজিক ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লরক্লবা মতুংদদি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

# লেন ১সুং নোংনা শোকহল্লবা মণিপুরদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা য়ুরো ২৫০,০০০ পীরগনি লাউথোকখ্রে

## মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমদদি অরানবা ৱাফমনি হায়রক্লি

**ন্যু দেল্লী, মে ২৯ (এজেন্সী) :** চৎলিবা থা অসিগী ৫দা মণিপুরদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা থৌদোক অমা ওইনা অচৌবা লেনশিং তারক্তুনা য়াম্লবা য়ূমশিং অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা মতুংদা সাইক্লোন রিমাল অমুক য়ৌশিল্লক্তুনা পীল্লবা ষ্টেট অসিগী চীং অমসুং তমদা ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লহল্লিবা অসিগীদমক মতেং পাংনবগী লৌখৎলকপা খোঙথাং অমদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়ননা লৈবাক অসিগী শেলদা লুপা ক্রোর ২.২৬ হেনগদবা য়ুরো ২৫০,০০০গী শেনফম পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা পাউগী এজেন্সীশিংনা রিপোর্ট তৌনরক্লি।

এজেন্সীশিং অসিনা তৌনরকখিবা রিপোর্টশিংদা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না মীওইবগী মীনুংশিগীদমক য়েংলদুনা পীরক্কদৌরিবা তেংবাঙ শেল অসিনা মণিপুরদা থোকখ্রিবা থৌদোক অনীসিদা খ্বাইদগী য়াম্না অমাঙ অতা থোকহল্লবা মীওইশিংদা তেংবাঙ ওইনা পীগনি হায়রি। মতেং অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী হ্যুমেনিটেরিয়ন পার্টনর ওইরিবা এভেন্টিষ্ট দিভেলপমেন্ট এন্দ রিলিফ এজেন্সী (এ দি আর এ) গী খূথাংদা খম থেংনা অৱাবা নংহল্লবা ইমুং ১,৫০০ হেনবদা পীগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা ঙসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী অইবা চেরোল অমা থোকখ্রে। তেংবাঙ অসি য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর ২৭কী ব্লোক অমদগী পীরক্কদবনি হায়বগা লোয়ননা শেনফমশিং অসিনা থৌদোক অনীসিনা অমাঙ অতা থোকহনখ্রবা ইমুংশিংগী মীওইশিংগী য়ূম-কৈ অমুক হন্না শেমজিন শাজিনদুনা মহৌশাগুম লৈনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৫



মে ৫, ২০২৪গী নুংথিলদা তারকখিবা লেননা ফূদৎখ্রবা য়ূম অমা (ওই) সাইক্লোন রিমালগী নোংনা থুমজিনখিবা ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমা

## গভর্ণরনা মীয়ামদা মীপাইবীগনু হায়দুনা আপীল তৌরক্লি



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** হৌখিবা নুমিৎ নীনিদা সাইক্লোন রিমালনা মরম ওইরদুনা লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা মণিপুরগী চীং অমসুং তমগী মীয়ামগী পূন্সিদা খম থেংনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লক্তুনা য়ূম অমসুং লন-থুমশিং অমাঙ অতা থোকহল্লকপদা গভর্ণর অনুসুইয়া উইকেনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

রাজ ভবনদগী থোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোরকপগা লোয়ননা চীং অমসুং তমগী অকুৎপা মফমশিং ঈশিং থুমজিল্লে। মসিগী মথক্তা নেসনল হায়ৱে ৩৭ অমসুং ২ য়াওনা লেন্দস্লাইদশিংনা মরু ওইবা পোৎলমশিং পুথোক পুশিন তৌরিবা লম্বীদা অপনবা পীরে অমসুং মণিপুর শিনবা থুংনা মীয়ামগী ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## লেপ্তুনা চুরকপা নোংনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা মীওই ২ শিরে, ৩ শোক্লে, রিলিফ কেম্প ৩ হাংদোক্তুনা মীওই কয়া চঙজফম লৌরি

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা মণিপুর তম্পাক্কী মফম কয়াদা শোকহনবগী মথক্তা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা চেল্লিবা সেনাপতি, ময়াংখাং অমসুং বরাক তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপগা ইরোয়ননা মফম কয়াদা তুরেল লৌনম্বাল কাইবগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

নোং অসিনা মরম ওইরদুনা ঙরাং নুমিদাং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং ওইরিবা ভিয়ুলেন কোলোনি, রিভর কোলোনি, য়াপাও কোলোনি, চর্চ রোদ কোলোনি, বখাও অমসুং কারোং এরিয়াদা মদস্লাইদ অমসুং লেন্দস্লাইদনচিংবা থোকপদা নত্তনা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরে।

খুদোংচাদবশিং অসি মায়োক্লরবা মীয়ামগীদমক দিষ্ট্রিক্ট এদমিনষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী মথৌ তাবা পোৎলমশিং পীবগা লোয়ননা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী ত্রাফিক সর্কলস মনাক্তা লৈবা মিনি ইনদোর ষ্টেদিয়মদা রিলিফ কেম্প অহুম হাংদোক্তুনা ঈচাওগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরক্লবা মীওইশিং লৈহনবা হৌখ্রে।

রিলিফ কেম্পশিং অসি সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী ওফিস মনাক্তা লৈবা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সী) গী অনৌবা বিল্ডিং অমসুং ভিয়ুলেনদা লৈবা থিংবা খুনৌ প্রেয়র সেন্টরদসু হাংদোকখি।

রিলিফ কেম্প অহুমসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরবা মীওইশিংদা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী চেঙ, অচাথাও, হৱাই, থুম অমসুং থক্লবা ঈশিংনচিংবা য়েন্থোকপা হৌখ্রে। অদুগা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মনুং চনবা মফমশিংদা থোকহল্লক্লিবা ...মখা লমায় ৯ কলম ১

## সাইক্লোন রিমালগী চৈথেং : নোর্থইষ্টতা শিবা মীওই ৩৬ শুরে, অসাম ১সুং মেঘালয়দা চেকশিনখিগনি

**গুৱাহাটি, মে ২৯ (এজেন্সী) :** লৈবাক অসিদা য়ৌশিল্লকখিবা সাইক্লোন রিমালগী মপাঙ্গল শোন্থরক্লবসু ঙরাং ফাওবদা লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট মরিগী মীয়াম্না খম থেংনা সাইক্লোন অসিগী খুদোংচাদবা মায়োক্লখি।

ষ্টেটশিং অসিদা লেপ্তুনা চুথরকপা অকনবা নোংনা লেন্দস্লাইদশিং থোকহনখিবা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৬কী পূন্সি মাঙহনখ্রে অদুগা মীওই ১০ হেনবনা মফম খঙদ্রি হায়না এজেন্সীগী পাউ অমনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

পনবা য়াবদি, লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক অসি তোঙান তোঙানবা ষ্টেট ৮না পূল্লগা শেন্লিবনি। সাইক্লোন অসিনা মরম ওইরদুনা ষ্টেটশিং অসিগী লম্বী-থোং য়াওনা রেল লম্বীশিংদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লক্লিবনি। ষ্টেটশিং অসিগী মনুংদা মিজোরামনা খ্বাইদগী হেন্না খুদোংথীবা মায়োক্লদুনা ঙরাং ফাওবদা শিখিবা মীওইশিংগী মশীং ২৭ শুখ্রে। ষ্টেট অসিদা মীওই মশীং য়াম্না শিখ্রিবসি আইজোল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা নূঙগী ক্বারি অমা খঙহৌদনা নীংখাইরকপদগী মীওই ২১গী পূন্সি মাঙহনখিবা য়াওরগনি। নাগালেন্দনা মীওই ৪গী পূন্সি মাঙহনখি অদুগা অসাম অমসুং মেঘালয়দনা মথংশিংনা মীওই ৩ অমসুং ২গী পূন্সি মাঙহনখ্রে হায়রি।

নোং লেপ্তুনা চুরকখিবা খক্তা নত্তনা অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপনা মফম কয়াদা লেন্দস্লাইদশিং থোকহনখি। উ-ৱাশিং মরূ ফূক্তুনা তুখি। অদুগা ষ্টেটশিং অসিগী মীয়ামগী ইসেন্সিএল সর্ভিসশিং ওইরিবা ইলেক্ট্রিক অমসুং ইন্টরনেটকী কনেক্টিভিটিদসু চাউনা অকায়বা থোকহনখি।

ত্রিপুরাদসু পাক শন্না সাইক্লোন অসিনা অমাঙ অতা থোকহনবদগী য়াম্লবা ইমুং কয়াগী মীওইশিং লৈফম লৈতদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌখিবা পুং ২৪দা শিৎখিবা নুংশিৎকী অয়াঙবগী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ইন্টরিম বেল শাংদোকপীয়ু হায়বা প্রেয়র সুপ্রিম কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রে



**ন্যু দেল্লী, মে ২৯ (এজেন্সী) :** এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনা দেল্লী লিকর স্কামগী মতাংদা লৌখৎপা কেসকা মরী লৈননা ফারগা টিহার জেলদা থল্লমখিবদগী সুপ্রিম কোর্টনা ইন্টরিম বেল পীদুনা লৈরক্লিবা দেল্লীগী চীফ মিনিষ্টর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাক্কী ইন্টরিম বেলগী মতম মেদিকেল গ্রাউন্দদা নুমিৎ ৭নি খক্তংগা শাংদোকপীনবা সুপ্রিম কোর্টতা তৌখিবা প্রেয়র এপেক্স কোর্ট অসিনা রিজেক্ট তৌরকখ্রে।

অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা প্রেয়র অসিদা মহাক্কী হকচাংগীদমক মেদিকেল টেষ্ট খরা তৌবগী মথৌ তারে। মরম অসিনা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## ঈচাওগা মরী লৈনবা ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী ইমর্জেন্সি টেলিফোন নম্বর

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):** ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্টকী চীফ ইঞ্জিনিয়রগী মায়কৈদগী থোরকপা চেরোল অমনা ঈচাওগা মরী লৈনবা ইমর্জেন্সিগী দাইরেক্ট কমপ্লেন্টশিং টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৯১৩৮৯৭ নৎত্রগা মোবাইল নম্বর ৭৬২৮৮০৩৭১০দা তৌবীরকপা য়াগনি হায়রি।

## চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স ঈশিং থুমজিনখ্রে, কেসশিং য়ৈথোকখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস) :** নোং খরা কন্না চুরকপা খুদিংগী ঈশিং থুমদুনতা লাকখিবা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নরক্লিবা উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্স অমুক হন্না ঈশিং থুমজিনবদগী ঙসি ৱায়েল চথুগদবা কেস পূম্নমক জুলাই ৪, ২০২৪দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌরগনি হায়রি।

কোর্ট কমপ্লেক্স অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ অনীগী কোর্ট রুমশিং লৈবদা নত্তনা চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং এন দি এন্দ পি এসকী স্পেসল ফাষ্ট ত্রেক্ট কোর্টয়াওনা পোক্সোগী কেসশিংগী ৱায়েল চথনবা স্পেসল কোর্ট অমসু লৈরিবনি। কোর্ট কমপ্লেক্স ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

## আর সী সী ঈরং ব্রিদজ লানবা হৌরগনি : সী এম

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):** সাইক্লোন রিমালনা মরম ওইরদুনা চুরকখিবা অকনবা নোংনা ঈরং তুরেলগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী তুরেল অসিগী মথক্তা শাবা থোং ঙরাং চেন্থদুনা পুখ্রবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মহাক্কী সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মদা পোষ্ট তৌরকখিবা ৱাফম অমদা তুরেল অসিগী মথক্তা নৌনা শাগৎখিবা ঈরং আর সী সী থোং লান্থোক-লানশিন তৌবা হৌরগনি হায়রকখ্রে।



শাবা লোইশিল্লকপদগী লান্থোক লানশিন তৌরগদবা ঈরং আর সী সী ব্রিদজ

পোষ্ট অসিদা মহাক্না হায়, ঐখোয়গী অনীশুবা লাইফ লাইন ওইরিবা ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী - নেসনল হায়ৱে অসিদা মরু ওইনা অচৌবা থোং অহুম লৈরি। অহানবদা বরাক অমসুং অনীশুবদা মক্রু য়াওনা ঈরং থোংনি। থোং অহুমসিগী মনুংদা মক্রু অমদি বরাক থোং অনীদি হান্না আর সী সী ব্রিদজ ওইনা শাদুনা শঙ্গাখ্রে। অদুবু ঈরং থোং চেন্থখিবদগী মীয়াম্না হায়ৱে অসিদা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা অপনবা ওইরক্লিবা অসিগী য়েংলদুনা শাবা লোইরবা ঈরং আর সী সী ব্রিদজ অথুবা মতমদা লানবা হৌরগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, হান্নগী ঈরং তুরেল মথক্তা শাবা য়োৎকী থোং চেন্থখিবদগী ঙরাংদগী হৌনা ওইল টেঙ্কর, এল পি জি বুল্লেট ত্রক য়াওনা পূন্না ত্রক ২১৮ লোম হায়ৱে অসিগী শান্তি খুনৌ অমদি নোনেদা পন্দুনা লৈরক্লিবনি।

## ইলেক্ট্রিকনা চিংবদা শিরে

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):** ঙসি নুংথিল পুং ৩ লোম তারকপদা শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জর মমাঙ লৈকায়গী কিল্লিং ফিল্ড মনাক্তগী লাইশ্রম সনাতোম্বা কৌবা অহল অমা লৈকায়সিদা লৈবা ইলেক্ট্রিক পোল অমদা পায়রুবদগী ইলেক্ট্রিক করেন্ট লৈরমদুনা চিংদুনা লৈখিদ্রে হায়রি।

## অহল নুপী অমা শিরল্লে

**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ূক পুং ৮.১৫ রোম তারকপদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মাও-কারোং থোংখোঙ ময়াদা মশাগী চহী ৮৯ রোম শুরবী দাইকেন সেরিয়া কৌবী নুপী অমা শিরগা লৈরল্লে হায়রি। মহাক সেনাপতিগী দেপসি সেরিপা খুলদগীনি। ঙরাং অহিং য়ূমদগী থোকখিবদগী মফম খঙদনা লৈরকখিবীনি। অদুবু মতৌ করম্না শিরল্লিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

## দিব্রুগরদগী এন আর দি এফকী পর্সনেল ৪০ হোল্লকখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২৯ (ঐচএনএস):** সাইক্লোন রিমালনা মরম ওইরদুনা মণিপুরদা মায়োক্লরক্লিবা ঈশিং ঈচাও অমদি লেন্দস্লাইদনচিংবা খুদোংচাদবশিংদগী মীয়াম্বু শাফগদবা মফমদা থম্বদা মসুং ফিভম অসি হেন্না লুশিনহল্লক্তনবা হোৎনবদা মণিপুর লৈঙাকপু মতেং পাংননবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং পুরদুনা ঙসি নুমিদাং দিব্রুগরদগী এন আর দি এফকী পর্সনেল ৪০ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা হোল্লকখ্রে

## মোইরাংথেম আনন্দ কে সী পি ১দি মসিগী লাম্মী শঙলূপকা মরী লৈনদে

**ইম্ফাল, মে ২৯ :** হৌখিবা কুমজা ২০২৩গী সেপ্টেম্বর ১৬তা মণিপুর পুলিসকী স্পেসল কম্মান্দো য়ুনিট অমনা কোংবা ৱাংখৈ লম্বীগী মীতৈ ময়েক হায় স্কুল মনাক্তগী ফাখিবা মোইরাংথেম আনন্দ অপোকপা এম অচৌ, শীংজমৈ মখা সোরোকখাইবম লৈকায়দগী মীওই অসি কুমজা ২০১০দা কে সী পিগী মীংদা ফাদুনা জেলদা লৈরুরে হায়না পাউচে অমসুং ইলেক্ট্রোনিক মীদিয়াদা ফোঙদোরকপা থেংনরে হায়রি। ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## HL Poll

Q : Cyclone Remalna amang ata thokhallaba Manipurgi ching amasung tamgi meeyamda leingakna pipham thokpa tengbang piba ngamgadouribra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Cyclone Remalgi cheitheng phanglaba matung-da districtsinggi DC singna chekchin warolsing fongdoraklibasi natei charibra?

Yes 20% No 80%

## অস! লোইরেহে!

- সারনা শাবা থোংসি তেক্লমাল্লে!



- এ! ঐনা চাংয়েং ওইনা শাবনিদা।

# কুকিনহা ১০ মুক্লা থাঙ-তেন পায়রগা হাৎতোকউরা হায়রকপদা কোমশিংনা কনবীরকখিবনি

## হকথেংনবা পাউদম
### হাওতক খুলদগী খুঞ্জা অমা

(ঙরাংগী মখা...)

খুমন্থেম পিশকনা মখা তানা হায়, চীংদুদা চীংমীশিংগা পূন্না লৈমিন্নরকপদা ঐখোয়দি অহলসু ওইরবনিনা কোম ফুরুপকী মীওইশিংনা লুনা তৌবীবা অমদি অরৈ-লৈতা তাথোক-তাশিন তৌদুনা য়াম্না নুংঙাইবা পূন্সি মহিং অমদা হিংজরকখিবনি। খঙহৌদনা কুকিশিংনা থাঙ পায়দুনা ঐখোয়বু তাল্লকপদা লৈমিন্নরিবা কোমশিং অদু লৈরমদ্রবদি ঐখোয় খুদক্তা অদুম শিরমগনি অমসুং ঐখোয় শিরে হায়বগী পাউ ফাওবা কনানসু খঙবীররোই। মরমদি মফম অদুদা মীতৈগী অতোপ্পা য়ূমশিংসু তাদে। ঐখোয়দি শেন্থোক লম্বী লৈতবদগী চীংদুদা মীগী ইঙ্খোল শংবীরগা মদুদা এঙ্খাং নাপি অমসুং ফৌ থাদুনা হিংলকপনিনা অসুক তমথীনা ঐখোয়বু কুকিশিংনা তান্থোরক্কনি হায়দি নোংমতা খল্লুদে।

থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদু থোরক্কনি হায়বা হৌজিকসু থাজবা ঙমদ্রি। নুমিৎতুদা ইশা পূম্বা পাখৎপা-থুকৎপা ফাওখিবদুনা হৌজিক ফাওবা ৱাখলগী অনাবা লৈবগুম লাউ খোংবা তাবা মতমদা ইশাদা হুমাং কাংলক্তুনা জিং-জিং লাউবা অমদি মিহুল চোংবা তৌরি। অদুগা ঐহাক্কী লোয়নবীদি ঐঙোন্দা থাঙনা য়ানগে তৌবগী মওং অদু মহাক্না চাক থোংলিঙৈদো চাকখুমদা চঙলক্লগা তৌরকখিবনিনা পাখৎপা হৌখিবদগী হৌজিকসু মশানা ঈংনা-তপ্পা ৱা ঙাঙবা ঙমদনা পাখৎপগী মওংদা অদুমক লৈরি।

পিশকনা মখা তানা হায়, হৌজিকসু রিলিফ কেম্প অসিদা লৈঙাক্লা মতেং পীবীদুনা লৈরি। চাবা থকপসু ৱাৎহন্দে। রিলিফ কেম্পকী ভোলন্টিয়রশিংনসু য়াম্না থৱায় য়াওনা হোৎনবীরি অদুবু হকচাংগী ফীভমদি নোংমা নোংমগী অহল ওইশিল্লকপনিনা পোথাফমদি খঙদ্রে। মী ময়াম অমা পূন্না মফম অসিদা লৈমিন্নবনিনা করিগুম্বা হকচাং ঙল্লক্তবা, কোক ঙাওরকপা মতমদদি তূমিন্না পোথানীংলকপা য়াওরকই। মতমদুদা ইশাগী ওইবা য়ূমমক্তি নত্তবনিনা ঈংবা-তপ্পা ফংদবগী অৱাবা অমদি অদুমক মায়োক্লরি।

হকচাংগী অনাবদি কেম্প অসিদা ডাক্তরশিংনা চাংনাইনা লাক্তুনা য়েংবীরি। চারিবা হীদাক লাংথকসু লেম্না অদুম পীবিদুনা চারি। রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিংগী মনুংদগী ঐখোয়গী কেম্প অসিদা লৈবশিংনা হেন্না নুংঙাইরমগনি খল্লি। ময়াম পূন্না লৈমিন্নবগী নুংঙাইবসু লৈ, ময়াম্না লাংবা, লৈবা লৈতবা হরাও হরাও পূন্না চামিন্নবা, অঙাংশিং কোইচেন চেন্দুনা শান্নবা অহল ওইরবা ঐখোয়না উবা ফংজবসিসু য়াম্না লাইবক ফবা পূন্সি অমনি। অদুবু অসুম্না চহী হেল্লক্লবা ফাওবদা ফীভমসিদা মাগী-মাগী হায়বা তাংদাংবা অমত্তসু খঙহনবীদনা হোল অমদা ময়াম পূন্না লৈমিন্নরকপগী নুংঙাইতবসু ফাওরকই।

মরম অসিনা মণিপুর লৈঙাক্তা হায়নীংবদি হৌজিক অহল ওইরবা, তুংগী পূন্সি তেনশিল্লক্লবা মতমসিদা ইশাগী য়ূম কৈসু মৈনা থাদোকপীদ্রি হায়রগসু মফম অদুদা অমুক হন্না চঙদুনা লৈবা ঙমগনি হায়বগী থাজবদি লৈত্রে। হৌজিক ঐখোয় অনীগী খুইরবা উনশা, থৌনা য়াওদ্রবা পাঙ্গলনা করি শূ নোল্লগা অমুক নৌহৌননা য়ূম পানগনি ...মখা লমায় ৩ কলম ১


ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫